অনীশুবা এস দি এ য়ু ট্রোফি-২০১৯

# ৱাই দি এ অমসুং জি-ফাইভ হৈরোক ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই০১ (ঐচএনএস): সোসিএল দিবলপমেন্ট এঠলেটিক য়ুনিয়ন (এসদিএয়ু) তেকচমনা শিন্দুনা তেকচম হায় স্কুল গ্রাউন্দ, তেকচমদা চত্থরিবা অনীরকশুবা এস দি এ য়ু ট্রোফি-২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্তুনা ৱাই দি এ অমসুং জি-ফাইভ হৈরোক ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২২না শরুকয়াদুনা চত্থরল্লিবা অনীরকশুবা এস দি এ য়ু ট্রোফি-২০১৯ গী প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচকী ঙসি ককচীং এফসী অমসুং ৱাই দি এ লম্বা তৌনখি। মেচ হেক হৌবদগী হৌনা ৱাই দি এনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নখি। মেচকী ১৩শুবা মিনটতা ৱাই দি এগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৯ ৱাই অচৌবনা মহাক্কী টিমগী পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। অচৌবনা চনখিবা পাঞ্জল অদু ককচীং এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা হন্দোক্লবা হোৎনরকখি। অদুবু মেচকী ২১শুবা মিনটতা ৱাই দি ওগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর২৩ দব্লিয়ু অরুনকুমারনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২-০দা লৈহনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ককচীং এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা মখোয়না শোত্থরিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা অহানবা হাফতগী পাঞ্জল হেন্দুনা লাক্লবা ৱাই দি ওগী শান্নরোয়শিংনা ফজরবা এটেকশিং চত্থরকখি। মেচকী ৩৮শুবা মিনটতা টিমসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৩ বিক্রমনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেচ অদু ৩-০দা লৈহন্দুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। ককচীং এফ সীগী মায়কৈদগী ৱাই দি ওনা হেন্দুনা চৎলিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্লবা অকনবা মওংদা হোৎনরকখি। অদুবু মেচ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি। অদুগা ৱাই দি ও পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাক্তুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

অনীশুবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা জি -ফাইভ হৈরোক অমসুং এস এল ৱাই ও তেকচম শান্নখি। মেচ অদুদা জি-ফাইভ হেরোক্কী শান্নরোয়শিংনা এস এল ৱাই ওগী শান্নরোয়শিংবু য়াম্না লাকচনা শান্নরকখি। জি-ফাইভকী ফজরবা এটেক অমদা মেচকী ১০শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১১ শিতলনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মেচ অদু ১-০দা মহাক্কী টিম্বু মাঙজিল থাহনখি। শিতলনা পাঞ্জল অমা চনখ্রবা মতুং মেচকী মেচকী ১৯শুবা মিনটতা টিমসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৯ কৃষ্ণনন্দনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২-০ অমুক হন্না মাঙজিল থাহনখি। হনবা লৈতনা জি ফাইব হৈরোক্কী শান্নরোয়শিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা মেচকী ২৪শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ৫ রোসন্না মহাক্কী টিমগী অহুমশুবা পাঞ্জল চনশিন্দুনা ৩-০দা লৈহনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এস এল ৱাই ও তেকচমগী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অহানবা হাফতা পাঞ্জল অমা চনখিবা রোসন্না অনীশুবা হাফকী ৩১শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চনশিনখি। ঙাইহাক লৈরগা অমুকসু অরুননা মেচকী ৪০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৫-০দা য়াম্না চাউনা মাঙজিল থাহনখি। পাঞ্জল ৫ শোত্থরবা এস এল ৱাই ওগী শান্নরোয়শিংনা হোৎনবা য়াবা হোৎনরবা মতুং মেচ লোইরমদাই মেচকী ৪৩শুবা মিনটতা টিমসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৮ পি ঐচ রোমেসনা পাঞ্জল অমা হন্দোক্তুনা ১-৫দা লৈহনখি। অদুবু মেচ লোইবা ফাওবদা জি ফাইবনা হেন্দুনা চৎলিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী এস এল ৱাই ও তেকচম মায়থীহৌখি। অদুগা জি ফাইব হৈরোক্না পাঞ্জল ৫-১দা মায় পাক্তুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

# মাপনশুবা নেসনল ভোবিনামদা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ০১ (ঐচ এন এস)ঃ ভোবিনাম এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা থা অসিগী ২দগী ৫ফাওবা অসামগী দিসপুরদা লৈবা ভুগেৱারি ফুকানারি ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা মাপনশুবা নেসনল ভোবিনাম চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা শান্নরোয় ৩৮ অমদি ওফিসল ৩ পূন্না মীওই ৪১না শাবা কাঙবু অমা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদগী অসামগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

মাপনশুবা নেসনল ভোবিনাম চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং অদুদি সব জুনিয়র বোইজ কেটেগোরিদা এন জি বোরিশ মৈতৈ, টি ক্যাম্বা, এল অনাল হক, এম চীংখৈঙানবা, দব্লিয়ু সনাথোই মৈতৈ, এস সুরেশ, এল রেগর, টি অলফ্রেদনি। মখোয়না কেজি ২৮, কেজি ৩২, কেজি ৩৬, কেজি ৪৫, কেজি ৫২ অমসুং কেজি ৫২ মথক্কী ৱেটতা শরুক য়াগনি।

জুনিয়র গর্লস কাঙলূপকী কেজি ৪৪গী টু ভি নু ইভেন্টতা সাওলিন চোংথাম, লোঙ হো কুয়েন ইভেন্টতা সী ঐচ রোজিয়া, কেজি ৫২গী কাঙলূপ্তা এন জি রঞ্জিতা চনু, কেজি ৫৬কী থাপ থা কুয়েন ইভেন্টতা এস নেহা চনু, কেজি ৬২গী সোঙ লুয়েন কেন ইভেন্টতা এস লনচেনবী, কেজি ৪৮দা কে ঐচ রোসিনানা শরুক য়াগনি।

জুনিয়র বোইজকী কাঙলূপ্তা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং অদুদি কেজি ৪২গীদা টি হোমেশ্বর, কেজি ৪৬ মখাগী ৱান ফিমেল এগেনষ্ট থ্রী বোইজ ৱিদাউট ৱেপন ইভেন্টতা এস বোরিসন, কেজি ৫২ মখাগী টু ভি নু, সোঙ লুয়েন মা য়াও ইভেন্টতা এল কোরৌঙানবা, কেজি ৫৫ মখাগী ঙু মোন কুয়েন, সোনো লুয়েন য়াও, ৱান মেল এগেনষ্ট থ্রী বোইজ ৱিদাউট ৱেপন ইভেন্টতা টি সুরঞ্জ, কেজি ৬৬ মখাগী ৱান ফিমেল এগেনষ্ট থ্রী বোইজ ৱিদাউট ৱেপন থাপ থা কুয়েন, ৱান মেল এগেনষ্ট থ্রী বোইজ ৱিদাউট ৱেপন ইভেন্টতা এম রোহি মৈতৈনি।

সেনিয়র গর্লসকী কাঙলূপ্তা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং অদুদি কেজি ৪৮গী টু ভে নু দা লুয়েন ভি খি নু দোঙ দোই কে থুএট কেন বান হোন হোপ ইভেন্টতা এল পুস্প, কেজি ৫২গী লোঙ হো কুয়েন ইভেন্টতা ঐচ ওমিতা, কেজি ৬০গী সোং লুয়েন কেন ইভেন্টতা ঐচ হেনানি।

# সরুংবম অথৌবনা নেসনল এক্বথলোন চেম্পিয়নশিপকী গোল্ড মেদল লৌরক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ০১ (এজেন্সী)ঃ ৱেষ্ট বেঙ্গালনা ত্রায়থলোন এসোসিএসন্না য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা নেসনল ওপন এক্বাথলেন চেম্পিয়নশিপ ২০-১৯গী চহী ১১দগী ১৩ ফাওবগী কাংলুপ্তা মণিপুরগী ত্রায়েথলিট সরুঙবম অথৌবা মৈতৈমনা গোল্ড মেদল লৌব ঙমখ্রে।

নেসনল এক্বাথলোন চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরগী ত্রায়েথলিট সরুঙবম অথৌবা মৈতৈনা চহী ১১দগী ১৩ ফাওবগী কাংলুপ্তা স্বিমিংগী ওইনা মিটর ২০০ অদুগা কিলোমিটক ১.৫গী লমজেলদা মিনট ৮:৩০.০০ দা কম্পিটিসন অদুগী মকোক ওইবা ঙমদুনা গোল্ড মেদল অদু লৌবা ঙমখি।





সরুঙবম অথৌবা মৈতৈ হৌজিক হৌজিক ইম্ফালগী চীংমৈরোংদা লৈবা দোন বোস্কো হায় স্কুলদা ক্লাস ৮ তম্লিবা মহৈরোই অমনি। মহাক্না ইম্ফাল ইষ্টকী মোর্দেন কলেজদা লৈবা স্বিমিং পুলদা ওঝা টি তোনে দানবা, এ সুপরমেন অমসুং টি ঐচ চন্দ্রকুমারগী মখাদা ট্রেনিং তৌদুনা লাকখিবনি।

শীংজমৈ চীংঙামথক্কী এস জি টেন মৈতৈ অমসুং প্রিতম চনুগী মচানিপা সরুঙবম অথৌবা মৈতৈনা ৱেষ্ট বেঙ্গোলদা পাঙথোকথিবা নেসনল এক্বাথলোন চেম্পিয়নশিপ অদুদা গোল্ড মেদল লৌরকখিবা অদুদা ত্রায়েথলোন এসোসিএসন ওফ মণিপুরা অমদি অতোপ্পা মায়কৈ কয়াদগী হরাওবা পাওজেল পীরকপগা লোয়ননা মহাক্না ষ্টেট অসিগী ওইনা অচৌবা মীংচৎ পুরকপা ঙমখিবা অদুদা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখি।

## ত্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই০১ (ঐচএন এস)ঃ চহী অসিগী ওগষ্ট ২০দগী ২৪ ফাওবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মনুং চন্না লৈবা ন্যু কুচ বিহারদা পৱরলিফটিং ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪৪শুবা সেনিয়র নেসনল পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা শরুক য়ারুনবগী ওল মণিপুর পৱরলিফটিং এসোসিএসনগী টিম শেম্নবগী ত্রায়ল সেলেক্সন অমা লাক্লিবা জুলাই ৭তা পি বি বি পি টি সী, কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়দা পাঙথোক্লগনি।

ওল মণিপুর পৱরলিফটিং এসোসিএসনগী টিম শেম্নবগী ত্রায়ল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়াগদবা লিফটরশিংগী ৱেট ওনবনা নুমিৎ অসিগী অয়ূক পুং ৮ তাবদা অদুগা ত্রায়ল সেলেক্সননা অয়ূক পুং ১০ তাবদগী পাঙথোক্কনি। মরম অদুনা শরুক য়াগদবা লিফটরশিং, এসোসিএসন অসিগী ওফিসলশিং অমদি রেফ্রিশিংনা নুমিৎ অসিদা মতম চানা লাক্লবা খঙহল্লক্লি।

# নেশনল যোগ ওলিম্পিয়াদতা মেদল ফংলকখ্রবা শান্নরোয়শিং ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই০১ (ঐচএনএস)ঃ ন্যু দিল্লিগী এন সী ঈ আর টি কমপ্লেক্সতা জুন ১৮দগী ২১ ফাওবা পাঙথোকখিবা নেসনল যোগ ওলিম্পিয়াদ ২০১৯দা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখ্রবী মণিপুর এদ্যুকেসন (এস) কী নুপীগী কন্টিনজেন্ট অমদি শরুক য়ারুবশিংবু ওকপগী থৌরম অমা ঙসি বাবুপরাদা লৈবা এস এস এগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।



মেদল ফংলকখ্রবশিং ওকপগী থৌরম অদুদা দিরেক্টরেট ওফ এদ্যুকেসন (এস) কী দিরেক্টর টি ঐচ কিরনকুমার অমদি এদিসনেল দিরেক্টর আর কে লেনেদিনা চীফ গেষ্ট অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক যাদুনা শান্নরোয়শিংদা অচম্বা খুদোল পোৎ পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

নেসনল যোগ ওলিম্পিয়াদ ২০১৯দা মেদল লৌরকখ্রবা মণিপুরগী নুপা অমসুং নুপীগী শান্নরোয়শিং অদুদি অপ্পর প্রাইমারি বোইজকী কেটেগোরিদা এ লুৱাং মীতৈনা অহানবা, শিভানন্দ থিয়াম্না অনীশুবা, এল মনিচন্দ্রনা অহুমশুবা অমসুং এন জি জেকসন মীতৈনা মরিশুবা পোজিসন তারকখি।

অপ্পর প্রাইমারি গর্লসকী কেটেগোরিদা কে .চ লৈচলনা অহানবা, ঐচ এলীনানা অনীশুবা, কে ঐচ চনিংখোম্বীনা চনুনা অহুমশুবা অমসুং এম রোসিতানা মরিশুবা পোজিসন তারকখি।

সেকেন্দরি বোইজকী কেটেগোরিদা টি কিরনকুমারনা অহানবা, পি সটিশনা অনীশুবা, এমমালেমঙানবনা অহুমশুবা অমদি এন কুলচন্দ্র মীতৈনা মরিশুবা পোজিসন তারকখি। সেকেন্দরি গর্লসকী কেটেগোরিদা মেরি অনা গোলমৈনা অহানবা, দেনিকারানিনা অনীশুবা, পি কমলানা অহুমশুবা অমদি এম চিত্তরানিনা মরিশুবা পোজিসন তারকখি।

নীংশিংবা য়াই, নেসনল যোগ ওলিম্পিয়াদ২০১৯দা শরুকয়াখিবা নুপীগী কন্টিনজেন্টকী টিম অদু দিরেক্টরেট ওফ এদ্যুকেসন (এস) কী এম মোধুসুদোন্না টিম মেনেজর ওইনা লুচিংখিবনি।

# আই বি বি এফ এফ মণিপুরনা মেদল লৌরকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই০১ (ঐচএনএস)ঃ ইন্দিয়ন বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস ফেদরেসনগী মখাদা মহারাষ্ট্রনা য়ূম্বু ওইরগা পুনেদা জুন ২৮ অমসুং ২৯দা পাঙথোকখিবা ৫৯শুবা সেনিয়র মিষ্টর ইন্দিয়াদা আই বি বি এফ এফ মণিপুরগী মোইরাংথেম রোবিনা টাইটল লৌরকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে।

কম্পিটিসন অদুগী মেন ক্লাসিক অপটু ১৭৫ সেন্টিমিটরদা আই বি বি এফ এফ মণিপুর য়ুনিটকী শান্নরোয় অমরজিৎ নিংথৌজমনা মঙাশুবা পোজিসন তাখি। অদুগা এম দিনৱাজ খাননা কেজি ১০০গী কাঙলূপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

অমরোমদা ইন্দিয়ন বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস ফেদরেসন মণিপুর য়ুনিটনা মোইরাংথেম রোবিনা টাইটল লৌরকপদা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। মোসরাংথেম রোবি হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়ন নেভিদা থবক তৌরি।

১২ শুবা য়োল্লো কপ অন্দর-১৫ বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# লৌশাংখোঙ, ৱাই বি পি, ক্রেজি বোইজ, ও এফ এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই০১ (ঐচএনএস)ঃ দিয়ং লর্নস লাইব্রেরি এন্দ লিদিং ওর্গনাইজেসন (য়োল্লো) কৈবিনা শীন্দুনা প্রাইমরি স্কুল গ্রাউন্দ কৈবি ইম্ফাল ইষ্টতা চত্থরিবা ১২ শুবা য়োল্লো কপ অন্দর-১৫ বোইজ মণিপুর ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা লৌশাংখোঙ, ৱাই বি পি, ক্রেজি বোইজ, ও এফ এ পুংদোংবম মায় পাকখ্রে। অদুগা দেবেন এফ সী অমসুং পি ৱাই পি সী পুংদোংবম অম অমদি এস এম সী পাৎলৌ অমসুং ৱাখোঙ জুনিয়র দ্রো চৎখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চত্থরিবা ১২ শুবা য়োল্লো কপ অন্দর-১৫ বোইজ মণিপুর ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসিগী অহানবা মেচ ওইনা এস দি সী টাইগর কেম্প অমসুং লৌশাংখোং লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবগা টিম অনীনা মায় পাক্লবা ফজনা শান্নখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা লৌশাংখোংনা এস দি সী টাইগর কেম্পপু পাঞ্জল ৫-০দা য়াম্না চাউনা মায়থীবা পীখি।



অনীশুবা মেচ ওইনা য়ঙ বোইজ পুখাও অমসুং চনুং এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদু টিম অনীনা লম্বা হায়রপ মান্নবা শান্নখি। অদুবু মেচ অদু লোইশিল্লকপদা য়ঙ বোইজ পুখাওনা পাঞ্জল ৪-২দা মায়পাকখি। মায় পাক্লবা য়ঙ বোইজ পুখালগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৬ জেমসন্না মেচকী ১৭শুবা অমদি ২০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী, দিজেন অমসুং উমাকান্তনা মেচকী ১৮শুবা অমসুং ১৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমমম চনখি। মায়থীহৌরবা চনুং এফ সী পাঞ্জলশিং অদু জেক্সন্না মেচকী ৮শুবা অমসুং ১৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী চনখি।

ঙসিগী অহুমশুবা মেচ ওইনা ক্রেজি বোইজ অমসুং ৱাই এ সী কৈবি কুমুদা শান্নখিবা মেচ অদু ক্রেজি বোইজনা ৱাই এ সী কৈবি কুমুদাবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখি।

ঙসিগী মরিশুবা মেচ ওইনা ও এফ এ পুংদোংবম অমসুং উয়ুমপোক এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদুদা ও এফ এ পুংদোংবমগী মায়কৈদগী পূন্না পাঞ্জল ৩ চনখি। অদুগা উয়ুমপোক এফ সীনা পাঞ্জল ২ খক চনখি। মেচ অদু ও এফ এ পুংদোংবম্না পাঞ্জল অমা হেন্দুনা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মঙাশুবা মেচ ওইনা দেবেন এফ সী অমসুং পি ৱাই পি সী পুংদোংবম লম্বা তৌনখি। মেচ অদুদা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নখিবনা মেচ অদু ১-১দা দ্রো চৎখি। তরুকশুবা মেচ ওইনা এম এস সী পাৎলৌ অমসুং ৱাইখোং জুনিয়র লম্বা তৌনখিবা মেচ অদু লম্বা চানা শান্নখিবনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখি।

# ৱেষ্ট ইন্দিজপু স্রি লঙ্কানা রন ২৩দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে

চেষ্টরলিষ্ট্রিট, জুলাই০১ (এজেন্সী)ঃ ইংলেন্দ অমসুং ৱেলসনা য়ুম্বু ওইমিন্নদুনা চত্থরিবা আই সি সি ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা ৩৯শুবা মেচ ৱেষ্ট ইন্দিজবু স্রিলঙ্কানা রন ২৩দ মায়থীবা পীখ্রে।

আই সি সি ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুগী টোস ৱেষ্ট ইন্দিজনা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি। মদুদা স্রিলঙ্কাগী মায়কৈদগী ওভর ৫০দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ৩৩৮ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ৩শুবা বেটচমেন অবিস্কা ফরনান্দোনা বোল ১০৩দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৯ য়ৈরগা রন ১০৪ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইখি।

ঙসিগী ইনিংস অদুদা স্রিলঙ্কাগী ওপনর অনীনা য়াম্না চেকশিন্না শান্নদুনা অহৌবা ওপনরদা রন ৯৩ হাপচিনখি। ওপনর কুসল পেরেরানা বোল ৫৩ রন ৬৪ লৌরম্বা অদু য়াম্না মরু ওইখি। টিম অদুগী কেপ্টেন দিমুত করুনারতনেনা স্রিলঙ্কাগী মায়কৈদগী রন ৩২ লৌরম্লগা অহানবা ওইনা আউট ওইখি। তুংদা চঙলাকখিবা কুসল মেন্দেজ, এঞ্জেলো মেথিয়ুস অমসুং লাহিরু থিরিমনেনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বোল্লরশিং অদুবু মায়োক্লদুনা রন লৌবা অদুমক ঙমখি।

থিরুমনেনা বোল ৩৩দা রন ৪৫ লৌবা ঙমখি। মেন্দিসনা রন ৩৯ অমসুং মেথিয়ুসনা রন ২৬ লৌখি। ওভর ৫০ লোইশিল্লকপদা স্রিলঙ্গাগী বেটচমেন ৬আউট ওইরগা রন ৩৩৮দা ইনিংস লোইশিনখি।



ৱেষ্ট ইন্দিজনা মায় পাক্লনবা রন ৩৩৯ য়ৌননবা হোৎনরকপদা টিম অদুগী অনীশুবা অমদি অহুমশুবা বেটচমেন অনীমক শুপ্নগী রন ৫/৫দা আউট ওইখিবদগী টিম অদুগী ফিভম শোকখি। ওপনর খৃষ্ট গেল রন ৩৫ লৌরমখি। মরিশুবা বেটচমেন সিমরোন হেটমিয়র রন ২৯ লৌরমখি।

মঙাশুবা বেটচমেন নিকোলাস পুরাননা স্রিলঙ্গাগী বোলরশিং অদুবু নীংথিনা মায়োক্লদুনা শোত্থরম্বা ইনিংস অদু পুখৎপা হৌরকখি। ৮শুবা বেটচমেন ফাবিয়ান এলেননা রন ৫১ লৌদুনা পুরানবু য়াম্না চাওনা মতেং পাঙবা ঙমখ্রবসু অতোপ্পা বেটচমেনশিংনা ফজবা ঙমখিদবদগী ৫০ শুবা ওভর লোইশিল্লকপদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ৩১৫ খক লৌখিবদগী স্রিলঙ্কানা রন ২৩দা থোইখি।

# মণিপুর আই এস এল টিমনা সদর হীল ইলভেনবু ২-১ থোইখ্রে

কাংপোকপী, জুলাই০১ (ঐচএনএস)ঃ কাংপোকপীগী সদর হীলস ইলভেন ফুটবোল টিম অমসুং ইন্দিয়ান সুপর লিগতা শরুক য়ারুরবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংগী মরক্তা এক্সিবিসন মেচ অমা শান্নদুনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না কৈমাই খুঙ্গংদা বরাক তুরেলদা লৈখিদ্রবা ইমুং অমগী মমা মপাগী লৈহৌবা মচাশিংদা শেলগী মতেং পাঙখ্রে।



মেচ অদু মণিপুর আই এস এল মণিপুর প্লেয়রনা সদর হীলস ইলভেনবু ২-১দা থোইখিব মেচ অদুদা লাকখিবা মীয়ামদগী ফংখিবা মতেং ওইখিবা ১,০০,৫৫৫কী শেনফম কলেক্ট তৌবা ঙমদুনা হৌজিক হৌজিক চুরাচন্দপুর দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা সাঙা মোন ইনদা লৈরিবা চিলদ্রেন হোমদা বরাক তুরেলগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা অনীগী মচা ৬ লৈরিবনি।

কুকি খঙলাই লোমপিনা মমা মপা লৈখিদ্রবা পিক্লিবা অঙাং ৬ অদুবু য়েংশিনবা ওইনা মণিপুরদা অহানবা ওইননা নুমিদাংগী মতমদা মৈ থান্দুনা শান্নখিবা একজিবিসন মেচ অদুদা আই এস এল প্লেয়র্স মণিপুরনা সদর হীল ইলভেনবু ২-১দা মায়থীবা পীখি।

ঙসিগী একজিবিসন ফুটবোল মেচ অদুদা আই এস এল প্লেয়র্স মণিপুরনা পাঞ্জল ২ চনখ্রবা মতুং সদর হীল ইলভেনগী পাঞ্জল অমখক লৈখিবনা মেচকী অপীবা মতম মিনট ৯০ লোইশিল্লকপদা সদর হীল ইলভেনগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমখক হন্দোক্লগ মেচ অদু ১-২দা মায়থীখি।

ঙসিগী একজিবিসন মেচ অদুদা খোমগৎখিবা লুপা ১,০০,৫০০গী শেনফম অদু কে এফ এনা শীন্দুনা চুরাচান্দপুরগী সাঙা মোন ইনদা লৈরিবা খুদোংথিবা নংদুনা হোম অদুদা লৈঙাক্কী মতেং অমদি সি এস ওগী মতেং য়াওরগা লৈরিবা অঙাং ৬ অদুগী মখা তাবা মতেং ওইননবা খুৎশিন্নখি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com